# রোয়েল ফুটবোল ক্লবনা দি এস এ ককচিং থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯ গী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শীন্দুনা মমাঙ থা ২৩ দগী টিম ৫ না শরুক য়াদুনা দি এস এ প্লে গ্রাউন্দ ককচিং দা চথারিবা থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯কী ৱিন্নর রোয়েল ফুটবোল ক্লব ( আর এফ সি)ৱাবগাই হিয়াংলমনা ওইখ্রে।

লীগ অসিগী ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসিগী রোয়েল ফুটবোল ক্লব ( আর এফ সি) ৱাবগাই অমদি সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ওর্গানাইজেসন ( এস দি ও) পল্লেননা শান্নখিবা মেটচতা আর এফ সিনা এস দি ওবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী ৱিন্নর ওইখি।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওং দা শান্নদুনা দি এস এ প্লে গ্রাউন্দ ককচিংদা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পূক্নিং চীং শিনখি।

টিম অনীমক্না মাগী–মাগী এটেক্কিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ত কয়া চথন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিং থিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নদনা অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফতা রোয়েল ফুটবোল ক্লব ( আর এফ সি ) ৱাবগাইনা অনৌবা লাঙলোন শীন দরক্তুনা চাঙ নাইনা তকশিনলক্তুনা এস দি ও পল্লেনগী মায়কৈদা এটেক কয়া চথদুনা প্রেসর পীশিনখি।

প্রেসরশিং অদু এস দি ও পাল্লেনগী শান্নরোইশিংনা নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমদবদগী আর এফ সিগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ১৪ এস হেরোচন্দ্রনা মেটচকী মিনট ৫৭ চৎপদা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু চনখি।

মেটচ অসিদা মায়থিরবা এস দি ল পাল্লেনগী জর্সি নম্বর ৫ কে ঐচ গৌরাচান্দ অমদি আর এফ সি ৱাবগাই হিয়াংলমগী জর্সি নম্বর ২২ বেবিসন অমসুং জর্সি নম্বর ৮ বিদিয়াচন্দ্রদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি টি ঐচ দিনেশ্বর, রেগান, লিতনবলা অমদি অঙখূল মরিংনা মথংশীৎনা সেন্টর রেফ্রি, এসিষ্টেন্ট রেফ্রি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফ্রি টু অমদি ফোদ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা দি এস , কককচিংগী ভাইস প্রসিদেন্ট য়ু মোহিনেন্দ্রানা ৱিন্নর ওইখিবা রোয়েল ফুটবোল ক্লব ( আর এফ সি ) ৱাবগাই হিয়াংলম অমদি রন্নস অপ তাখ্রবা এস দি ও পাল্লেনদা মনা মথুম পীদুননা পূক্নিং থৌগৎখি।

# পীশক ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ হৌখ্রে, জি দি সি থীনুংঙ্গৈ অমদি এল এফ সি দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (এস এন এস)ঃ দষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা ঙসিদগী ৭ দগী টিম ৯ না গ্রুপ–২ থোক্না খায়দোত্তুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা ৬ শুবা ঐচ পীশক নীংশিং ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯ শান্নবা হৌখ্রে।



লীগ অসি হৌদোকপগী থৌরমদা থীনুঙ্গৈ গ্রাম পাঞ্চয়দকী প্রধান এন ভৈগ্যাবটি দেবী, থীনুঙ্গৈ থীনুঙ্গৈ গ্রাম পাঞ্চয়দকী অর্পা–প্রধান এন ীনবির সিংহ, থীনুঙ্গৈ গ্রাম পাঞ্চয়দকী ৱার্দ নম্বর ৭ গী মেম্বর এল বিমোলা দেবী, থীনুঙ্গৈ গ্রাম পাঞ্চয়দকী ৱার্দ নম্বর ৮ কী টি ঐচ জোশিলা দেবী, থীনুঙ্গৈ গ্রাম পাঞ্চয়দকী ৱার্দ নম্বর ১ গী ও সুনিলকুমার, থীনুঙ্গৈ গ্রাম পাঞ্চয়দকী ৱার্দ নম্বর ২২গী ঐচ কুমার সিংহ, থীনুঙ্গৈ গ্রাম পাঞ্চয়দকী ৱার্দ নম্বর ৯গগী এল পিয়োকুমার অমদি থীনুঙ্গৈ গ্রাম পাঞ্চয়দকী ৱার্দ নম্বর এম ব্রোজেন সিংহনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

লীগ অসিগী হৌদোকপগী মেটচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদা গ্রুপ–এগী মেটচ ওইনা জি দি সি থিনুঙ্গৈ অমদি এল এফ সি ঙাইখোং খুনৌগা শান্নখিবদা জি দি সি অমদি এল এফ সি গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নাদনা মেটচ অসি দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখি।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্নিং চীংশিনখি।

টিম অনীমক্না মাগী–মাগী এটেক্কিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ত কয়া চথন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিং থিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নদনা মেটচ অসি লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা টিম অনীমক্না পোইন্ট অমমম য়েন্নদুনা মেটচ অসি লোইশিনখি।

মেটচ অসিদা এল এফ সি ঙাইখোং খুনৌগী জর্সি নম্বর ১৫ এল বিশ্বরজিৎতা মেটচকী মিনট ৩৭ চৎপদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এন বিজিন, এল ভুভোন, এল ননাও অমদি এন তোম্বানা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

পাঙথোক্কল্লিবা ফুটবোল লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি– গ্রুপ এদা এল এফ সি ঙাইখোং খুনৌ, কে ৱাই ভি ও ক্লাসিফাই,লসাল লৈমাপোকপম, বি এফ এ নাচৌ অমদি জি টি সি থিনুঙ্গৈনি।

গ্রুপ–বিদনা য়ু কে সি সি এল ওইনাম, য়ু এফ সি বিষ্ণুপুর, ও এস এ ওইনাম অমদি এম সি কে কাবো ৱাকচিংনি।

# ষ্টেট জুনিয়র মেন এন্দ ৱুমেন হোক্কী চেম্পিয়ন্সিপ্তা মৈরা বাশিখোং অমদি ৱাই সি সি আই সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (এস এন এস)ঃ মণিপুর হোক্কীনা শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী নুপাগী টিম ৭ না গ্রুপ–২ অদুগা নুপীগী টিম ৫ না শরুক য়াদুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ৭ শুবা জুনিয়র মেন এন্দ ৱুমেন ষ্টেট লেভেল হোক্কী চেম্প্রিন্সিপ ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী মেটচশিংদা মৈরা বাশিখোং, কে ঐচ এস সি খোঙমন মায় পাকখ্রে। অতাপ্পা মেটচ অমদা এস ৱাই য়ু সি উচেক্কোন অমদি বি ঐচ বিষ্ণুপুর দ্রো চৎখ্রে। নুপীমচাগী মেটচতনা এস ৱাই য়ু সি উচেক্কোন মায় পাকখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ৱাই সি সি আই সি কোন্থা অহনল্লুপ অমদি মৈরা বাশিখোংনা শান্নখিবা মেটচতা মৈরা বাশিখোংনা ৱাই সি সি আই সিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা মৈরা বাশিখোংগী গোলশিং অদু অনীশুবা অমদি অহুমশুবা ক্বার্টরদা গোল অমমম চনখি। অনীশুবা ক্বাযরদা চনখিবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১২ আর কে ধানানেন্দ্রনা মিনয ২২ অমদি অহুমশুবা ক্বাটরদা চনখিবা গোল অদুসু জর্সি নম্বর ১২ আর কে ধনানেন্দ্রনা চনখি।

মায়থিরবা ৱাই সি সি আই সি কোন্থা অহনল্লুপকী গোল অদুনা অহানবা ক্বাটরদা জর্সি নম্বর ১০ দব্লিু রোহিটনা মিনট ১ দা চনখি।

এম সৈত্যজিৎনা অম্পিয়র, বিঙ্কি অমদি সি ঐচ মেচানা জজ অমসুং সি ঐচ বলা অমদি এন জি থাবা লৈমানা টেক্নিকেল ওফিসর ওইনা কন্দক তৌখি।

নুপাগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসি কে ঐম এস সি খোঙমন অমদি ৱাই সি সি আই সি কোন্থা অহনল্লুপনা শান্নখিবা মেটচা কে ঐচ এস সিনা য়াম লাকচন্না গোল ১৫–৩ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা কে ঐচ এস সি খোঙমনগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২ এস রিশিনা মিনট ১, জর্সি নম্বর ১৩ আই অবিসনানা মিনট ৭, ১৭ দা গোল ২, জর্সি নম্বর ৭ কে রাহুলনা মিনট ১৮, ৩৮, ৫০ অমদি ৫৫ তা গোল ৪, জর্সি নম্বর ৮ এম কেনিদিনা মিনট ২০, ২৯, ৩৬, দা গোল ৩, জর্সি নম্বর ৯ ৱাই অমিটনা মিনট ৩৩, জর্সি নম্বর ১২ সি ঐচ রিটেসনা মিনট ৪২, জর্সি নম্বর ১০ দব্লিউ রোহিটনা মিনট ৪৩, জর্সি নম্বর ৩ চন্দ্রপ্রাকাসনা মিনট ৪৭ অমদি জর্সি নম্বর ৫ ৱাস রোসননা মিনট ৫৭ চৎপদা চনখি। মায়থিরবা ৱাই সি সি আই সি কোন্থা অহনল্লুপকী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৭ আই রোহিটনা মিনট ২৩, জর্সি নম্বর ১৮ এন জেমসননা মিনট ৩২ অমদি জর্সি নম্বর ৬ এল শামসননা মিনট ৪৪ দা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি টি ঐচ রোসনকুমার অমদি এম স্যতজিৎনা অম্পিয়র, সি ঐচ প্রিতামপ্রিয়ারি অমদি টি ঐচ শুসিত্রনা জজ অমসুং এন জি থাবা লৈমা অমদি এম ব্রোসননা টেক্নিকেল ওফিসর ওইনা কন্দক তৌখি।

ঙসিগী নুপাগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসি এস ৱাই য়ু সি উচেক্কোন অমদি বি ঐচ বিষ্ণুপুরগা শান্নখিবা মেটচতা এস ৱাই য়ু সি অমদি বি ঐচ গোল ৩–৩ দা দ্রো চৎখ্রে।

সি ৱাই য়ু সি উচেক্কোনগী গোলশিং অদু অহানবা অমসুং মরিশুবা ক্বার্টরদা গোল অমমম অদুগা বি ঐচ বিষ্ণুপুরগী গোলশিং অদুনা অনীশুবা ক্বার্যরদা গোল ১ অদুগা মরিশুবা ক্বার্টরদা গোল ২ চনখি।

সি ৱাই য়ু সি উচেক্কোনগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৩ এস বোরিস, জর্সি নম্বর ৬ সি ঐচ অমূজাও অমদি জর্সি নম্বর ১০ এল দিপুনা মিনয ৫১ দা চনখি। অদুগা বি ঐচ বিষ্ণুপুরগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৯ টি ঐচ বিক্রমজিৎ, জর্সি নম্বর ১১ ও শ্যাম অমদি জর্সি নম্বর ১০ এন রোহিটনা মিনট ৫৯ দা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এম পিয়া অমদি কে দেবেশ্বর সিংহনা অম্পিয়র, এন জি থাবা অমদি টি ঐচ শুশিত্র দেবীনা জজ অমসুং সি ঐচ বলা অমদ এম সৈত্যজিৎনা টেক্নিকেল ওফিসর ওইনা কন্দকক তৌখি।

শান্নখিবা নুপীগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা এস ৱাই য়ু সি উচেক্কোন অমদি বি ঐচ বিষ্ণুপুরনা শান্নখিবা মেটচতা এস ৱাই য়ু সিনা বিষ্ণুপুর হোক্কীবু য়াম লাকচন্না গোল ৯–০ দা মায়থিবা পীখি।।

মায় পাক্লবা এস ৱাই য়ু সি উচেক্কোনগী গোলশিং অদু অহানবা ক্বার্টরদা গোল ২, অনীশুবা ক্বার্টরদা গোল ১, অহুমশুবা ক্বার্টরদা গোল ১ অমদি মরিশুবা ক্বার্টরদা গোল ৫ চনখি।

গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ সি ঐচ তানুনা মিনট ২, ১৯, ৩১ অমদি ৫২ দা গোল ৪, জর্সি নম্বর ১৩ ঐচ সিল্কিনা মিনট ১৩, জর্সি নম্বর ৭ টি ঐচ অনামিকানা মিনট ৪৬, ৪৯, ৫০ দা গোল ৩ , জর্সি নম্বর ৮ এন প্রেমিকানা মিনট ৫২ অমদি জর্সি নম্বর ৯ কে পূরনিমানা মিনট ৫৫ চৎপদা চনখি।

# দি এফ এ থৌবাল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগতা, দব্লিউ ৱাই সি অমদি ঐচ আই এস য়ু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালনা শীন দুনা থা অসিগী ৪ দগী টিম ৬ না শরুক য়াদুনা ৱাংজিং স্পোর্টস কম্পলেক্সকী গ্রাউন্দা দি এফ এ থৌবাল সুপর দিভিজন ফুটাবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিং দা দব্লিউ ৱাই সি ৱাঙ্খেম অমদি ঐচ আই এ,স য়ু মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফঙখ্রে।

লীগ অসিগী মরিশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা দব্লিউ ৱাই সি ৱাঙ্খেম অমদি এস দব্লিউ ৱাই সি চরাংপাৎনা শান্নখিবা মেটচতা দব্লিউ ৱাই সিনা এস দব্লিউ ৱাই সিনা গোল ৫–২ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওং দা শান্নদুনা চরাংপাৎ পোলো গ্রাউন্দা টিম অনীমক্না মাগী–মাগী এটেক্কিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ত কয়া চথন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি।

মেটচকী মিনট ১১ চৎপদা দব্লিউ ৱাই সি ৱাঙ্খেমগী জর্সি নম্বর ১৭ এম সনানা অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। গোল মাঙজিল থাখ্রবা মতুংগী মিনট ১৬ চৎপদা টিমসিগী জর্সি নম্বর ১১ এম নারেননা টিমগী গোল অমগা হাপচিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখ্রবা মতুং মিনট ২ কান্নরগা জর্সি নম্বর ১৪ এন জরমেননা টিমগী অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা এস দব্লিউ ৱাই সি চরাংপাৎপু ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

এস দব্লিউ ৱাই সিনা শোথরিবা গোলশিং অদু হনেদাক্লবা হোৎন্দুনা শান্নরকপদগী মেটচকী মিনট ২৬ চৎপদা টিমসিগী জর্সি নম্বর ১০ কে য়ুরেম্বনা গোল ১ হন্দোক্তুনা ৩–১ দা লৈদুনা অহানবা হাল্ফ লোর্য়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা এস দব্লিউ ৱাই সি চরাংপাৎনা শোথরিবা গোলশিং অদু হনেন্দাক্লবা হোৎন্নখি মদুগী মহৈনা মেটচকী মিনট ৪৪ চৎপদা জর্সি নম্বর ১১ ৱাই সোমোজিনি গোল ১ গা অমুক হন্দোক্তুনা ৩–২ দা লৈদুনা মেটচকী লমজেলদা লাক্লবা হোৎনখি।

অদুবু দব্লিউ ৱাই সি ৱাঙ্খেমনা অনৌবা লাঙলোন শিজিন্নরক্তুনা মেটচ অসি মায়কৈ অমদা পুরক্তুনা এস দব্লিউ ৱাই সি চরাংপাৎকী মায়কৈদা প্রেসর কয়া পীশিনখি। মদুগী মহৈ ওইনা মেটচকী মিনট ৫৩ চৎপদা টিমসিগী জর্সি নম্বর ১০ এন জি জেমস অমদি জর্সি নম্বর ১৩ এল রোলান্ডনা টিমগী মরিশুবা অমসুং ৫ শুবা গোল অদু চন্দুনা মেটচ অসি ৫–২ দা মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা দব্লিউ ৱাই সি ৱাঙ্খেমগী জর্সি নম্বর ৫ এম চন্দ্রমানি, জর্সি নম্বর ৪ এন জি সনাখোম্বাদা অমদি মায়থিরবা এস দব্লিউ ৱাই সি চরাংপাৎকী জর্সি নম্বর ১৪ এস রাকেস অমদি জর্সি নম্বর ১১ ৱাই সোমোজিৎতা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এম ডি অনাল খান, এল রোজিট, আর কে অঙৌসনা অমদি কে ঐচ ইবুংঙোনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

লীগ অসিগী মখা চথরকপা অনীশুবা মেটচ ওইনা হয়েং ৱাংখেম পি জি গ্রাউন্দা দব্লিউ ৱাই ভি সি ৱাংখেম অমদি আর পি য়ু পাৎপালনা নুংথিল পুং ২ তাবদা শান্নগনি।

লীগ অসিগী ৫ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা আর পি য়ু অমদি ঐচ আই সি য়ুনা শান্নখিবা মেটচতা ঐচ আই এস য়ুনা আর পি য়ুবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী মিনট ১৯ লোমদি টিম অনীমক্না য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা পাপাল প্লে গ্রাউন্দা টিম অনীমক্না মাগী–মাগী এটেক্কিং জোনশিং দা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ত কয়া চথন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি।

মেটচকী মিনট ২০ চৎপদা ঐচ আই এস য়ুগী জর্সি নম্বর ৪ বিক্রামজিৎনা মেটচকী অহানবা গোল অদু চন্দুনা অহানবা হল্ফ লোয়বা ফাওবা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোল শোথরিবা আর পি য়ুনা শোথরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎন্নদুনা শান্দুনা ঐচ আই এস য়ুগী মায়কৈদা লেপ্পা লৈতনা প্রেসর পীশিন্দুনা এটেক কয়া তৌখি। অদুবু প্রেসরশিং অদু ঐচ আই এস য়ুগী দিফেন্দরশিংনা মথৌ খঙনা শান্নরকপদগী তৌরকখিবা এটেকশিং অরেম্বা তাহন্দুনা গোলদা ওন্থোকহনখিদে।

মেটচকী অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবা আর পি য়ুনা গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদবদগী ঐচ আই এস য়ুগী বিক্রমজিৎনা চনখিবা গোল অদুনা মায় পাক্তুনা আর পি য়ুদগী পোইন্ট ৩ মুনবা ঙমখি।

মেটচ অসি মায় পাক্লবা ঐচ আই এস য়ুগী জর্সি নম্বর ২৪ অমদি মায়থিরবা আর পি য়ুগী জর্সি নম্বর ২ ঙাম্থোইবাদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি ঐচ সন্তোস, এম ডি লাতিফ, এস রোবিন অমদি এম বিজেননা মথং শিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# সনফির্ষ্ট কপ ২০১৯গী য়ু–১৬দা কে এ জি ও, এম এফ এ, আর এ এফ এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৭ (এস এন এস)ঃ স্পোর্টস মেনেজমেন্ট প্রাইবেদ লিমিটেদ সনফিষ্টনা শীন্দুনা ঙসিদগী অন্দর– ১৩ টিম ৪৭ অমসুং অন্দর –১৬ গী টিম ৪০ না শরুক য়াদুনা খুমন লম্পাক অর্তিফিসিয়েল তফ গ্রাউন্দা সনফিষ্ট কপ ২০১৯ গী মেটচশিংদা য়ু–১৬ বোইজ গীদা কে এ জি ও, এম এফ এ, আর এ এফ এ, হিয়াই এফ সি, মলেম এফ এ, আর্ট ফোর ক্রুস, মোদেল স্কুল ইম্ফাল এফ এ (এ) টিম মায় পাকখ্রে।

য়ু–১৩ বোইজকীদনা ক্রিপসা এফ সি, মোদেল ইংলিশ স্কুল সরানঠ দব্লিউ বি, মলেম এফ এ (এ) টিম অমদি মহৈ স্পোর্টিং (এ) টিম মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অন্দর–১৬ বোইজ গী মেটচশিংদা কে এ জি ওনা য়ু এম এফ সিবু গোল ২–০দা, এম এফ এনা এ সি ৱাই এবূ গোল ৪–০ দা, আর এ এফ এনা কে আর লেন্দ এফ সিবু গোল ১–০দা, হিয়াই এফ সিনা সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ক্লব ( এস দি সি)বু পেনালটিদা গোল ২–০ দা, মালেম এফ এনা নেরোকা এফ সি (এ) টিমবু পেনালটিদা গোল ৩–২ দা, আর্ট ফোর ক্রসনা চিল চিলবু পেনালটিদা গোল ৩–২ দা, মোদেল স্কুলনা ফাইদ এফ সিবূ পেনালটিদা ১–০ দা, ইম্ফাল এফ এ (এ) টিমনা থাউবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অন্দর–১৩ বোইজগীদনা ক্রিপ্সা এফ সিনা মলেম এফ এ (এ) টিমবু পেনাটিদা ৩–২ দা, হিয়াই এফ সিনা টি এস এফ এবু পেনালটিদা গোল ২–১ দা, মোলেদ ইংলিশ স্কুলনা কে আর লেন্দ এফ সিবু গোল ৩–১ দা সরাঠ দব্লিউ বিনা ইষ্ট্রন ব্রোদরসবু গোল ১–০ দা, মালেম এফ এ (এ) টিমনা কে জি ৱাই ,বু গোল ১–০ দা অমদি মহৈ স্পোর্টিং (এ) টিমনা বিব্লিকা এফ সিবু পেনালটিদা গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

# টেন্নিস রেঙ্কিং ঃ সরবিয়াগী জোকোবিস অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী বারটিনা মকোক ওইরি

পেরিস, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সি)ঃ ইন্টরনেস্নেল টেন্নিস ফেদরেসন ( আই টি এফ)না ঙসি থাদোরকপা খ্বাইদগী নৌবা রেঙ্কিং লিষ্টতা সরবিয়াগী নোবাক জোকোবিস অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বারটিনা নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসতা নম্বর ১ পোজিসন কনবা ঙমখ্রে।





সরবিয়াগী নোবোক জোকোবিসনা পূন্না পোইন্ট ১০,৩৬৫ ফঙলগা অহানবা পোজিসন লেঙদনা লৈবা ঙমখি। নুপাগী কাঙলূপ অসিদা স্পেনগী শান্নরোই রাফেল নাদালনা পোইন্ট ৯,২২৫ ফঙলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি অদুগা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরেলনা পোইন্ট ৭,১৩০ ফঙল্লগা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবা সরবিয়াগী নোবাক জোকোবিস ঙরাং লোয়শিনখিবা জপান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টগী টাইতল লৌবা ঙমখিবনি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইরম্লবা বৃটেনগী এন্দী মুরে থাক ২০০ হায়গৎপা ঙমখ্রে।

ইন্টরনেস্নেল টেন্নিস ফেদরেসননা থাদোরকপা রেঙ্কিং লিষ্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই এসলি বারটি নম্বর ১ পোজিসনদা লেঙদনা লৈবা ঙমখ্রে।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা চেক রিপব্লিককী শান্নরোই কেরোলিনা প্লিজকোভানা পূন্না পোইন্ট ৬,০১৫ ফঙলগা অনীশুবা মফমদা লৈরি। মমাঙদা মতম খরা ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইরম্লবী জপানগী শান্নরোই নাওমি ওসকা ঙরাং লোয়শিনখিবা চিনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টগী ফাইনেলদা ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বারটি মায়থিবা পীরম্লগা টাইতল লৌখিবদগী অহুমশুবা পোজিসনদা হায়গৎপা ঙমখ্রে।

য়ু এস ওপন চেম্পিয়ন কনাদাগী শান্নরোই বিয়াঙ্কা এন্দ্রিস্কুপু চিনা ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেলদা জপানগী ওসকাগী মখূৎতা মায়থিখ্রবসু রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা থাক অমা হায়গৎলগা মঙাশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*